গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা অসাম রাইফলস ৱিমেন পোলো টিম লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলস (সাউথ)কী হাফলোং ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মণিপুরগী গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা অসাম রাইফলস ৱিমেন পোলো টিম লোঞ্চ তৌখ্রে।

অসাম রাইফলসকী নুপী পোলো টিম লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা গভর্ণর অনুসুইয়ানা হায়, মণিপুর শান্ন-খোৎনবগী লম্দা অমদি নাৎ অমদি চৎনবী ইনাক খুন্না লৈবগীদমক মালেমনা শকখঙনরিবা লমদম অমনি। শান্ন-খোৎনবগী লম্দা মণিপুরগী হৈথোই-শিংথোইরবশিং অদুবু খঙবীদুনা ইন্দিয়াগী পাৱর হাউস ওফ স্পোর্টস হায়নসু খঙনরিবনি। মণিপুরী পোলো অসি শগোল কাংজৈ হায়নসু খঙনৈ। মণিপুরগী পুৱারীদা শগোল কাংজৈগী মফম অমা তোঙান্না কন্দুনা লৈরিবনি। মসিগী মথক্তা মণিপুরী পোনিশিং অসি য়াম্না হৈ-শিংবা শগোল মখল অমনি হায়খি।

মহাক্না হায়, অসাম রাইফলসনা মখোয়গী ওইবা নুপী পোলো টিম অমা শেমগৎলকপা অসি থাগৎনিংঙাইনি। অসাম রাইফলসনা লৈবাক অসিগী নুপীশিংগী ওইনা পায়খৎলক্লিবা চাউখৎ থৌরাংশিং অসি ঐখোয়না পূক্নিং থৌগৎফম থোকই। নুপীশিংদা খুদোংচাবা কয়া অসাম রাইফলসনা পীরি। নুপানা ঙম্না চৎপা চৎনবী লৈবা মফম অমদা নুপীশিংবু এম্পাৱর তৌনবা অসাম রাইফলসনা হোৎনরি। মসি থাগৎনিংঙাইনি। অমরোমদা, মণিপুরগী নুপীশিংগী থৌনা মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। অসাম রাইফলসকী নুপী পোলো টিম অসিমকসু মণিপুরী নুপীশিংগী হৈ-শিংবগী খূদম অমনি হায়না লৌবা য়াই। শান্নরোয়শিংনা শান্নবা মতমদা থৌনা লৈনা, থকশি-খাশি নাইনা অমদি পান্দম অমগা লোয়ননা শান্নদুনা মণিপুরগী মিংচৎ হেন্না-হেন্না পুরকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। শান্নবগী খূথাংদা তোঙান-তোঙানবা ফূরুপশিংনা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা লমদম অসিদা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎপদা চাওনা মতেং পাংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

মমাং চহীগী মে ৩দগী হৌরগা মণিপুরদা ফূরুপ অনীগী মরক্তা থোক্লিবা তংদু লৈতাদবগী থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা অসাম রাইফলসনা লৌরিবা থৌদাংশিং লোয়ননা ফূরুপ খূদিংমক্কী অঙাংশিংবু মহৈ-মশিন লেম্না তমহনবগী খোঙথাং কয়া পায়খৎলক্লিবা অদুবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা অসাম রাইফলসকী নুপী পোলো টিমগী শান্নরোয়শিংবু তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ষ্টেট সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ, দিরেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলস লেফটনেন্ট জেনরেল পি সী নায়র, আই জি মেজর জেনরেল রাফরুফ সিংহ, ওফিসরশিং, অসাম রাইফলসকী লান্মীশিং অমদি অসাম রাইফলস ৱিমেন পোলো টিমগী মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াখি।

অহানবা থোরুল ট্রোফি ৫-এসাইদ ফুটসাল টুর্নামেন্ট ২০২৪

ৱান্দরর্স, পিকি ব্রদর্স, কাংখু এ এফ সী, খোংজোন ৱাই সী অমসুং বোর্থা এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস): থোরুল ফাউন্দেসন চান্দেলনা শীন্দুনা চান্দেলগী থোরুল টর্ফ লিৱা সরৈদা ক্লব ২৬না পুল এ অমসুং বি খায়দোক্তুনা চথরিবা অহানবা থোরুল ট্রোফি ৫-এসাইদ ফুটসাল টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ৱান্দরর্সনা দিএগেলো এফ সী, পিকি ব্রদর্সনা পুরুম পান্থা ৱাই সী, কাংখু এফ সীনা ফ্রেন্দশিপ ব্রদর্স, খোংজোন ৱাই সীনা রিকোন্সিলিএসন অদুগা বোর্থা এফ সীনা লম্খুং ৱাই সী সী মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৭শুবা মেটচ ওইনা ৱান্দরর্স অমসুং দিএগেলোগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ৱান্দরর্সকী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু পাঞ্জল ১৫-৩দা ৱান্দরর্সনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। ৱান্দরর্সকী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৩, ৩১ শুবা মিনটতা আর এল সেটঙমনা অনী, ৪, ৫, ১০, ১৫, ৩৯শুবা মিনটতা ৱিঙ্কলনা মঙা, ৭, ৮, ১৯, ৩৩শুবা মতমদা আর্মষ্ট্রোংনা অনী, ২২ অমসুং ২৫শুবা মিনটতা কেনেদিনা অনী চনখিবনি। অদুগা দিএগেলো এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদুনা মেটচ অদুগী ২০ অমসুং ৩৬শুবা মিনটতা দি রেংৱিননা অনী অদুগা ২৬শুবা মিনটতা এল ঐচ গেদিওননা অমা চনখিবনি।

২৮শুবা মেটচ ওইনা পিকি ব্রদর্স অমসুং পুরুম পান্থা ৱাই সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা পিকি ব্রদর্সকী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৌরগা পিকি ব্রদর্সনা পাঞ্জল ১১-৬তা পুরুম পান্থা ৱাই সীবু মায়থীবা পীরমখিবনি। পিকি ব্রদর্সকী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১, ২, ২, ১৩, ২৪ শুবা মিনটতা অহোংনা মঙা, ৫, ১০শুবা মিনটতা সুরচান্দনা অনী, ১৯, ৩০ শুবা মিনটতা তাইমানহোয়না অনী অদুগা ৩৭ অমসুং ৩৯শুবা মিনটতা চিহানমি অমসুং অথৈথেনা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা পুরুম পান্থা ৱাই সীগী পাঞ্জলশিং অদুনা মেটচ অদুগী ৪,৭, ২০শুবা মিনটতা এস কে বুংজোইনা অহুম অদুগা ১২, ১৮, ৩৩ শুবা মিনটতা এল ভি রেংমিনজারনা অহুম চনখিবনি।

২৯শুবা মেটচ ওইনা কাংখু এ এফ সী অমসুং ফ্রেন্দশিপ ব্রদর্সকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ফ্রেন্দশিপ ব্রদর্সকী শান্নরোয়শিং লাকখিদবদগী কাংখু এ এফ সীনা ৱাকওভর ফংখি।

৩০শুবা মেটচতা খোংজোন ৱাই সী অমসুং রিকোন্সিলিএসনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা খোংজোন ৱাই সীনা য়াম্না লাকচনা রিকোন্সিলিএসনবু পাঞ্জল ১১-১দা মায়থীবা পীখিবনি। খোংজোন ৱাই সীগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৬, ১০, ১৫শুবা মিনটতা কোফাদিন রোয়লনা অহুম, ১২, ১৪শুবা মিনটতা জুপা রোয়ল, ১৩, ২৮শুবা মিনটতা কেনফাসা চিনিট অদুগা ৩৬, ৩২ শুবা মিনটতা অঙ্কাদেনসনা রোয়লনা থংন-থংননা পাঞ্জল ২/২ চনখি। ৩৬ অমসুং ৩৯শুবা মিনটতনা দিয়ারফিসা রোয়ল অমসুং এমেন্টো গোরুনা অমমম্ চনখি। অদুগা রিকোন্সিলিএসনগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা ২২শুবা মিনটতা কোশিংনা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩১ অদুগা ঙসিগী অরোইবা মেটচ ওইনা বোর্থা এফ সী অমসুং লম্খুং ৱাই সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা বোর্থা এফ সীনা লম্খুং ৱাই সী সীবু পাঞ্জল ৭-৬তা থোইখিবনি।

এজটেক ফাইট ষ্টুদিওগী বোক্সর ৮ তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস): ন্যু দেল্লীগী নাজ াফগরদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া ইনভিটেসনেল প্রোফেসনেল বোক্সিং ফাইট নাইটতা শরুক য়াখিবা এজ টেক ফাইট ষ্টুদিওগী প্রোফেসনেল বোক্সর ৮ তরাম্না ওকখ্রে হায়না এজটেক স্পোর্টস মণিপুরগী মেনেজর থৌনাওজম বিকাশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা টিম হৌজিক-হৌজিক এজটেক স্পোর্টসতা বোক্সিং কোচ ওইনা লৈরিবা লাইশ্রম দিপনা লুচিংখিবনি। দিপনা লুচিংদুনা চৎখিবা মখোয় নিপানগী মনুংদা অহুম্না গোল্ড মেদল অদুগা অতোপ্পা অহুম অমনা সিলভর মেদল লৌদুনা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখিবনি। টুর্নামেন্ট অদুদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা বোক্সরশিং অদুদি ফ্লাই ৱেথ কেজি ৫০গী কেটেগোরিদা আর কে থৌঙন্বা, সুপর লাইট ৱেথকী কেটেগোরিদা চিংথংখোন্বা অদুগা সুপর ফিদর ৱেথ কেটেগোরিদনা উত্রক্সনি। অদুগা সিলভর মেদল ফংলকখ্রবশিং অদুনা লাইট ৱেথ কেটেগোরিদা লুসিফৰ, সুপর বন্টাম কেটেগোরিদা ভিংসন অমদি ফিদর ৱেথ কেটেগোরিদা জোইসননি। মখোয় নিপাননা ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলখিবদা এজ টেক ফাইট ষ্টুদিওগী মায়কৈদগী তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখিবনি হায়রি।

মণিপুরনা মহারাষ্ট্রবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা হৌজিক চথরিবা ২৮লক শুবা সিনিয়র ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ট্রোফি ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা মহারাষ্ট্রবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈবা কিশোর ভারতি ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদগী হৌরগা মণিপুর অমসুং মহারাষ্ট্রগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৌদুনা মেটচ অদুগী ৩৭, ৬২ অমসুং ৮৯ শুবা মিনটতা এন জিবালা, দাংমৈ গ্রেস অমসুং এল রেজিয়ানা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। অদুবু মহারাষ্ট্রগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মণিপুর মেটচ অদু পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখিবনি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯦ ꯰꯶ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী ঙরাংগী ইদিসনদা ফুটবোল্লর ২৬কী মমিং লাউথোরকপদা মণিপুরদগী ৪ য়াওরক্লে হায়খিবা অদু মণিপুরদগী ৬ য়াওরক্লে হায়গদবনি। শান্নরোয় ৬ অদুদি- ইস্রান খান, জিক্সন থৌনাওজম, রোশন নাওরেম, সুরেশ ৱাংজম, মহেশ নাওরেম অমসুং মোহমদ য়াসিরনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

-প্রুফ রিদর

প্রিয়োবর্তা অমদি শিললৈমা খল্লকপদা ফামগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২০দগী হৌরগা ২৯ ফাওবা চথগদৌরিবা য়ুরোপ টুরগীদমক জুনিয়র হোক্কী ইন্দিয়া মেন্স টিম অমসুং ৱিমেন্স টিমদা পোষ্টিরিয়র হোক্কী একাদেমি মণিপুর (ফাম)দগী শান্নরোয় অনী তালেম প্রিয়োবর্তা অমসুং খাইদেম শিললৈমা চনু খল্লকপদা ফামগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ফামগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ফামনা নেসনলগী থাক ফাওবদা লমজিং-লমতাক তৌদুনা হৌরকখিবা শান্নরোয় অনীনা য়ুরোপ টুরগীদমক্তা খল্লকপা হায়বসি ঐখোয়গী ওইনদি চাওথোকচনিংঙাইনি। ইন্দিয়াগী টিমনা টুর অসিদা বেলজিয়ম, জর্মনি অমসুং নেদরলেন্দসকা থা অসিগী ২০দগী হৌরগা লম্বা তৌনগদৌরি। নহা ওইরিবা শান্নরোয় অনীনা তুংগী পুন্সিদা অমদি ইন্দিয়া টিমদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মায় পাকপা শান্নরোয় অমমম্ ওইরক্নবগীদমক ফামগী মায়কৈদগী মপূগী মফমদা থৌনীজরি হায়রি।

প্রিয়োবর্তা লাইরিকয়েংবম লৈকাইদগী মণি অমসুং বালাগী মচানি। অদুগা শিললৈমনা কাইরং মমাং লৈকাইদগী লোয়াঙম্বা অমসুং তিলোতমাগী মচানুপীনি।

VEHICLES / MACHINERY / PENSION LOAN AVAILABLE
(used vehicles exchange offer)

- 2/Wheeler : Classic 350, Hero Xtreme 160R, Jawa 350, Activa, Dio, Jupiter etc.
- 3/Wheeler : Diesel Auto, Petrol Auto, e-Rickshaw etc.
- 4/Wheeler : Eco Van, Super Carry, Tata ACE Gold, Jeeto etc.
- 4/Wheeler : Thar, Alto 800, Tata Nexon/ Punch/ Tiago + Luxury cars etc.
- Machinery : Stone Crusher items, Flex Printer, Rice Mill, Tyre Fitting set, Car Wash Machine set etc.
- 2/3/4 Wheeler used vehicles exchange গী offer পীজরি।
- State/Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা Pension Loan গী খূদোংচাবা পীজরি।

EMPLOYMENT NEWS
- Car Wash Helper, Tyre Fitting Helper, Chicken Centre অমসুং Poultry Farm গী মী (Boy) পামজৈ।

Please Contact : L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : 1) # 9362775475
2) # 9383154086

HL-B/8632/4/4-17/5



CHANAKYA IAS ACADEMY
3 Decades of Excellence, Extraordinary Results Every Year, 5000+ Selections in IAS, IFS, IPS and other Civil Services so far...
DELHI'S Prestigious Institute
Now also in IMPHAL
Want to be an IAS/IFS/IPS Officer? Join
Upgraded Foundation Course™
A Complete Solution for Prelims, Mains & Interview
Available in 1 Year/2 Years/3 Years Options for CSE 2025/26/27
ELIGIBILITY : XII APPEARED/PASSED/ GRADUATION / FIRST YEAR/ 2ND YEAR & ABOVE
Batch Date: 10th May, 2024
Last Date of Admission: 08th May, 2024
Admission Open for Regular & Weekend Batches
Limited Seats Available
For Details Call @ 69099 07134
CHANAKYA IAS ACADEMY Nurturing Leaders of Tomorrow SINCE-1993
Imphal Center :
South Babupara, Near Babupara Durga Mandir
(Airtel Building) Imphal West - 795001
Toll Free No: 1800 274 5005 | www.chanakyaiasacademy.com
HL-B/8711/7/5-5/6



JCRE Skill Solutions
Admission Open
DIPLOMA IN COMPUTER APPLICATION
Eligibility: 12th Pass & Above
Duration: 6 Months
COURSE MODULES
Computer Fundamentals
HTML
Internet & Digital Financial Service
Office
LibreOffice The Document Foundation
TENTATIVE BATCH START DATE: MID WEEK OF MAY 2024
AVAILABLE SLOT 08:00AM - 10:00AM | 02:00PM - 04:00PM
JCRE SKILL SOLUTIONS TRAINING CENTRE
Thangmeiband Meisnam Leikai
Kwakeithel Akham Leikai
For More Info 7085051125 | 8798307379
HL-B/8662/7

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1120

Carter Ho (2180) - IM A. Almeida Saenz (2222)
1000GM NY Winter IMC New York USA, 2024.01.14

1.e4 c5 2.Nf3 Nc6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Nf6 5.Nc3 d6
6.Bg5 Bd7 7.Qd2 Nxd4 8.Qxd4 Qa5 9.f4 h6 10.Bxf6 gxf6
11.O-O-O Rc8 12.Kb1 Bg7 13.Be2 Qc5 14.Qd3 f5 15.e5 O-O
16.g4 fxg4 17.Rhg1 h5 18.Ne4 Qc6 19.h3 dxe5 20.hxg4 exf4
21.Ng5 Rfd8 22.Qh7+ Kf8 23.gxh5 Qf6 24. ...

QUESTION :
White to win

Puzzle 1119 Solution :

18. Rf8+ The white rook decoys Black's king. **Kxf8**
18. ...Rxf8 19.Qxe5 Bxc5 20.Bxc5
19. Nxd7+ The white knight forks Black's queen and king. **Kg8**
19. ...Ke7 20.Nxe5
19. ...Kf7 20.Nxe5+
20. Nxe5
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com